# তমথীবা তাইবঙ'সিনা মঙহল্লকপা মঙ!

- এস ইন্দ্রকুমার-



ঙরাং অহিং, অহিং নত্তে নোংঙাল্লমদাইনি, ওন্থোকপা মঙ অমা মঙলম্মী। নুমিদাংগী মতমনি, শুমাং মতোন্দা হকচীক লাংদুনা লোংখ্রাক লোংনা হীপ্লগা পাক চাউরবা, ঙমখৈ লৈত্রবা অতিয়াগী থৱায়মিচাক য়েংদুনা, মশীং থিঙমদ্রবা থৱায়মিচাক ময়ামদুগী মরক্তা ঐগী নুংশিরবা ইমা-ইপা অনীগী থৱায়না ওনখিবদু কদাইৱাইদা লৈরমগদগে? ৱাখল মোন্দ্রং শান্নরম্মী। অঙাং ওইরিবা 'বিষ্ণু ভক্ত ধ্রুব'না ওনখিবা ধ্রুব-তারা (পোল-ষ্টার) দি মফম লেঙদ' লৈরম্মী। খোঙজোমনুবী তরক্লা ওনখিবা 'উরশা মাইনর' (লেতিন ৱাহে 'শওম মচা' হায়বদুদৈ লৌরগা থোনখিবা) দুসু লৈরম্মী। খঙদে ইমা-ববাগী থৱায়না তাইবঙ মপুদা রিপোর্ট তৌবদা থেঙদুনা, মখোয়গী মিংদা অনৌবা থৱায়মিচাক এল্লোট তৌদ্রিবা জাৎলা? নৎত্রগা, পাউ অদু ঐগী ইনাক তম্লা পুরক্লবা মেসেঞ্জর লৈত্রবজাৎলা? অমদি শোয়দনা ওইরনি। অসুম্না খল্লম্বা ৱাখল পরিং-হাঙলবা অতিয়াদুদা থোক্লকপা অচৌবা মৈবুল অমনা থুগায়খি। ময়েক শেংনা উখি- মৈবুল অদু অচৌবা থৱায়মিচাক অনী থেঙ্গাইনবদই থোকপনি। খোঙচৎ কায়দনা চৎলিবা মশীং থিঙমদ্রবা ষ্টার/গেলেক্সি ময়ামদুগী মরক্তা খোঙচৎ কায়বা য়াওরক্তুনা অতিয়াদা এক্সিদেন্ট থোকপনি...।

ঐহাক তম্লা য়াঙনা পাইশিল্লকখিবা মৈবুল অদুনা ইনাক য়ৌরমদাইদনি মীকপ খংথোক থোক্লকখিবদু। থারবা কম্বল অনী লোনশিন্নরগা হিপখিবদুদা হুমাং অনপ্পী কারম্মী। শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোল্লম্মী। অমুক তূমথবা য়াদরে। মঙলান্দুনা খনখিবা পরিং তৎখ্রবা ৱাখল পরিং অদু তাইবঙদা মখা শমথরকখি। ৱাখলদুনি ঙসিগী ৱারেংসিদা পাউদম ওইনা তমগে ইথোকচরিবা।

ৱাখল খুদিংমক্কী হৌফম অমা লৈবগুম, ঙরাংগী মঙদু মঙহনখিবা ঐগী ন্যুরোন সেল (কোক'কী/ ব্রেনগী কাখল) অদু করিনো? খল্লুবদা খঙলকখি- কেলিফোর্নিয়াগী ষ্ট্রিট অমদা ত্রাফিক জাম থোকপদা অথুবা থবক অমগীদমক পল্লুং য়ৌবদা থিন্থবগী খোয়শাওনরবা নুপা অমনা, মাঙদা খাল্লিবা কারদুনা মরম ওইদুনা মাবু থিন্থহনবনি লেপ্তুনা হোর্ন খোংলুবা, অমনসু খোংলকপা, হোনগী নোইজ থোক্লকপা ত্রাফিক পুলিসনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রবা ত্রাফিক-কঞ্জেশন অদুদা লম্বী চৎপশিংগী মরক্তা উংখৎনবা থোক্লকপদা নোংমৈ য়াওনরক্তুনা মীওই মঙা পূন্সি লোমখিবগী ৱারী অমা থৌরৈতনা থৌ থিবদা পারুবদুনা খলহনখিবা ৱাখল অমদি তুল্লমদাইদা লৈখিবনি। কনানসু কন্ট্রোল তৌদনা, য়াঙল-য়াঙলবা স্পীদ'তা অতিয়াদা পাইরিবা ষ্টার, গেলেক্সি, সেলেষ্টিয়েল বোদি ময়ামসি অমুক্তা থেঙ্গাইনবৈ পাউ তাদ্রগা, গাড়ী খরখক থোক্লকপদা থোক্লিবা এক্সিদেন্ট, অমনা অমদৈ হেনগৎকে য়াদবগী খৎনরিবা, কার অমনা অমদৈ হেনগৎলুবা হাক্তক্তা লাইসেন্স গন পায়দুনা হাত্তোক্লখিবই পাউ অমসু পীক্লবা ইরমসিদা তাখিবনি। খঙদে-মীনা লম্বী চৎপা হৈতবরা? লম্বী চৎনবা কাঙলোন অমা মীওইবনা শেল্লিবদু লানবরা? মরম অমদি লৈফম থোকই। লম্বী চৎপা মখোয়দু লান্দে হায়রগদি, কাঙলোন শেল্লিবা মীওইদুনা লানবরা? অমনদি শোয়দনা লানফম থোকই।

অমনবু চুল্লে, অমনবু লাল্লে - মদুদা ঐনা করিগী কোক চীকফম থোকপগে? থবক অমগী অচুম চুমদা থিরিবা, খন্থরিবা ঐ'সিবু কনানো? কনানা খল্লু হায়বগে? কনাগুম্বা অমনা হায়রম্বা ওইরদি মদু ঐনা ইনফম থোকপরা? চুম্মী খল্লুবদুনা লাল্লম্লবদি? কম্মনৱেল্থ কন্ট্রিশিংদা, হায়বদি মতম অমদা গ্রেট বৃটেনগী মখা পোন্না লৈরম্বা অমদি ঙসিসু লৈরিবা লমশিংদা লম্বী চৎপা অমনা/গাড়ী থৌবা অমনা মাঙলোমদা চৎপসি, লম্বীগী ওইথংবা নাকন্দা চৎকদবনি। মসি লম্বী চৎপগী অচুম্বা কাঙলোননি। অদুবু, কম্মনৱেল্থ নেশন নত্তবা লম পুম্নমক্তনা মসি অরানবা কাঙলোননি। য়েৎথংবা নাকন্দা চৎকদবনি।

অদু ওইরবদি লাই'না মালেম অমদি মী শেম্বনি- হায়নরিবা অর্গ্যুমেন্ট অসি লানগনি। অদুবু অতোপ্পা সেটিসফেক্টরি ওইবা (পেন্নিংঙাই ওইবা) অর্গ্যুমেন্ট অমা লৈতদুনা পঙহায় হায়নখিবা ওইরগদি, লাইদুগী অতোপ্পা মপাঙ (পার্টনর) অমগা শিন্নরগা - 'ঐনা শেম্বা তাইবঙসি ইনাও নঙনা ঙাকহৌরো' হায়দুনা ফত্তবা লাই (দেভিল/সৈতান) অমদা শিন্নরক্লগা মাঙখ্রবরা - অমদি শোয়দনা তৌরক্লগনি। অদু নৎত্রগদবু - চেঙ্গিজ খান, নাদির সাহ অমদি এদোল্ফ হিটলরগুম্বা অকনবা/তমথীবা মী থোরক্লম্বা হৌনবরা? হিটলরগী ৱারীদি কুইখিদ্রিবা ওইবনা নীংশিংলমখিগনি অয়াম্বনা। নাদির শাহ কৌবা, শীংজনবা অমা ওইনা হৌরকখিবা, তমথীরবা ইরানিয়ন নিংথৌ (শাহ) অদুনা ইন্দিয়াদা লান্দারক্তুনা নিংথৌ ওইনা পাল্লগা লমদমসিগী মীয়াম্না কাউবা ঙল্লোইদবা থবক খরা তৌরম্মী। মশীং খঙদ্রবা মী হাৎপদা মমিং চৎখিবনি। নোংমগী নুমিদাং অমা শকহেনবী জগোয় শাবী অমা, অথাপ্পা লম অমদা কৌরুদুনা লেকমিন্নরম্মী। মতমদুগী ইন্দিয়াদদি মশাবু মমল লৌদুনা য়োন্থোক্লবী নুপীশিং, অতৈ লমদা চৎনবগুম, য়ারেকমিন্নবদু খক নৎখিদে। ঈশৈ হৈবী, জগোয় হৈবী কলাকারসু ওইরম্মী। অহিং থেঙজিল্লক্লবদা নাদির শাহ'না হায়রকখি, '... ঐ হৌজিক তূম্লিংলে, চৎলো, নঙসু নয়ূমদা ঈংনা পোখাজরুরো...'।

নুপীদুনা খুল্লকখি... 'করি ৱানো ইনিংথৌ! ইনিংথৌনা পীবিরিবা সনা-লুপা, মনি-মুক্তা য়াল্লবা শেনফম ময়াম অসি পুদুনা শুক্লা মল্লবা অহিংসিদা উমং-ৱামং ফাওদুনা য়ূমদা করম'-হনগনি?...'

অচুম্বা ৱাকৎনি খন্দুনা মাগী লান্মীশিংদা থৌদাখি...'চৎলু নুপীসিগী মাঙ থাদুনা, মাগী ময়ূম য়ৌদ্রিফাও লৈরম্বা য়ূম-কৈ-খুঙ্গং-উমং-ৱামং পূম্নমক মৈ থাদোক্তুনা নুংথিলগুম্না ঙালহল্লু'...।

মৈনম অমখক চুদুনা, লমজিং মৈরা ওইরগা ময়ূম য়ৌনা ইকায়খুম্ননা থিনবা য়াবদু-মীওই কয়াগী পূন্সি অমদি লন-থুমগা ওন্নখি।

নাদির শাহ অমদি হিটলরগুম্বা শক্তি লৈবা লৈঙাকপা, থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈবরা, ঙসিগী মঙাল য়াওদ্রবা অমম্বা লৈঙাক অসিদা।

নোংঙাল্লকপগী থোঙনাওদা লীৎশিল্লকপা মঙালদু-ঙাইহাক চমন্নখি- নাদির শাহ'না চূখিবা মৈদুগী মঙাল্লা? থৱায়মিচাক অনী থেঙ্গায়নবগী মৈবুলদুগী মঙাল্লা?

অঙাং ওইরিঙৈ মতম হায়বসি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু কাউবা ঙল্লরোইদবা মতম অমনি। সোরি! মতমদু নত্তে। ঐখোয়না কাউবা ঙমদ্রিবদি মতমদুদা থোকখিবা থৌদোক ময়ামদুনি। ঙসিগী পূন্সি শক্তম অসি শাগৎলকখিবা শক্তম মচেৎ মচেৎ ময়ামদুনি। খল্লকই-নীংশিংবা হায়বসি লৈরমদ্রবা পূন্সি হায়বসি লৈরমগদ্রা! হিংলিবা মী অমগী পূন্সি হায়বসি 'য়েকপা লোইদ্রিবা/শেম্বা লোইদ্রিবা' লাই অমগুম্বনি-ইশাগী পূন্সি অসি য়েংজরগা খল্লকখিবা ৱাখলনি। হৌখ্রবা থৌদোক ময়ামগী নীংশিং-শক্তম ময়াম্না মচেৎ মচেৎ নপশিল্লগা শেম্বা 'কোলাজ-পেইন্টিং' অদুমক্নি মীওইবগী পূন্সি। শিবা কৌবা অরোইবা পূন্সি মীকূপ্তুনা লেপ্পী-মী অমগী পূন্সি-ফিদম্নীংঙাই ওইবা নৎত্রগা ওইদবা। ৱাহন্থোক লৈবা নৎত্রগা লৈতবা!

ঐগী পূন্সি অসিদা 'মীগী ফিদম ওইনবা' করি থবক তৌখ্রবা! মীগী ৱাদি তোকখ্রসি, ইশামক্না পেঞ্জবা করি থবক তৌখ্র'গে? খল্লুবদা চমম্লে। 'ফিদম্নীংঙাই ওইবনি'- মীনা ঙাঙনবা খরদুগা চাংদম্ননা য়েংলুঙৈ, খল্লকই-'সিবু পূন্সি কৌবরা?

ৱাখল খনবা হৈরকপা মীৎকুপ্তুদগী ওজাশিংনা তাক্লকই, অহলশিংনা হায়রকই- মীথোয় মীহেনবা মী ওইগে নীংলবা, 'ওইজবা থাদোকপা' তমগদবনি। ... সেলফিশ ওইরোইদবনি... ঐ ইশাগী খল্লোইদবনি... ইশাগী ওইজবা থিরোইদবনি... মশাগী ওইজবা থিবা মী-মহাক্তুবু কৌই ফত্তবা মী'... অসিগুম্বা ওন্থোক ওন্থোকপা ৱাহৈশিংনি-ৱাখলদা মচু শঙলকখিবা। অদুবু, ঙসিদি খঙলে - মশাগী খনবা, ওইজবা থিবা, অতোপ্পগী খন্দবা, 'ঐ হিংগে-নঙ শিয়ু' হায়বদুনা ফিদম ওইবা মখোয়দুনি - মীনা ইকায়খুম্নবা অফবা মী।

পূন্সি-নুমিৎ চায়থরকপা, হেদো নাহে চল্লকপা, পাঙ্গল ময়েং তারকপা, উনা উনা নীংথিরবা তাইবঙপান মমি শামজিল্লকপা মতমদদি পূন্সিগী মমল অমসুং ৱাহন্থোক-তপ্না তপ্না মাঙশিল্লকই। মীকূপ অমগী মতমসু চহী অমগী মতমগুম ৱানা লেনখিবই ৱারী-তাখি, তারি, তাখিনি। নহা ওইরিঙৈ মঙাল নাইনা লেনখিবা অহল মতম ওইরগা, পোজিটিভ ওইবা পূন্সি ফিদম পুদুনা নুংঙাইনা পূন্সি লেনখিবা থেংনখিদে ঐহাক্তি। তিন্নখিবা মরূপ-মপাং, হিংলকখিবা, লৈবাক-খুন্নাই, লোয়নখিবা মচা-মশু পুম্নমক্কী মফমদা পেন্দ'ৱাকৎ থাঙ্গৎলম' থাদোকখিবনি তাইবঙপান।

খঙদে, ঐগী পালি য়ৌদৌরে। করম থোক্লগাদবা! ৱাখল অদু পুরগা তন্না হৌগৎ চৎখি কাঙজৈবুং মনীংগী অয়ুক্কী চা থকফমদা। মফমদুদই তারকখি- চহী চাম্মা শুদৌরবা অহল অমা সাইকল তোংদুনা চা থকপা লাক্লম্বদুসু লাইরৈবাক্তা কৌখৎখ্রে।? ●

# পূন্সিনা লুনা খল্লিবা, ইমা লৈবাক্কীদমক ৱাজরিবা অমসুং মীওইবা খুন্নাইবু কূপ্না য়েংলিবা কবি ক্ষেত্রি রাজেনগী শৈরেং লাইরিক 'লম্বীসিদা শম্নদবৈ শম্নদবশিং' - মীৎয়েং অমা

- তোংব্রম অমরজিৎ -



ক্ষেত্রি রাজেন থৌবাল লৈশাংথেম অৱাং লৈকায়দা লৈবা ক্ষেত্রিময়ূম কেশো অমদি মাধবীগী অহানবা ফংবা মপারি ওইনা কুমজা ১৯৬৮দা তাইবঙদা খোঙদারকখি। কুমজা ১৯৮৬তা মণিপুর রাইফলসতা থবক চঙদুনা হৌজিক্লা জমাদার ওইনা লৈরি। য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা মণিপুরী খোরিরোল পামজদুনা লাকই। অহানবা মীতৈলোলদা ইবা শৈরেংগী লাইরিক 'নোংলিক' (২০০৩) দা ফোঙদুনা খুদোল তল্লবা তুংদা 'মুর্ত্তিশিংগী মমি' (২০০৫) দা অমুক ফোঙখি অমসুং 'চরুগী খাংপোকশঙ' (২০১২) দা ফোঙখি। পূন্না শৈরেং লাইরিক মরি ফোঙখ্রে। অহানবা শৈরেং লাইরিক 'নোংলিক' অমসুং 'মুর্ত্তিশিংগী মমি' হায়রিবা লাইরিক অনী অসিমক ডা. ইরোম রোবিন্দ্রোনা ইংরাজিদা মথংশিৎনা 'রেন দ্রোপস' অমদি 'দ সেদোজ ওফ ষ্টেচ্যু' হায়না মিংথোন্দুনা দেল্লী অমসুং বিশাখাপত্নমদা ফোঙখিবা লৈরে। কবি ক্ষেত্রি রাজেনগী 'অহিংনা য়েকশিল্লবা মঙ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিদা কুমজা ২০১৫দা লেমজনীংঙাই ওইরবা সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লীনা পীবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখি। হায়রিবা লাইরিক অসিমক ইংরাজিদা নোংমাইথেম কিরনকুমারনা হন্দোক্তুনা ফোঙনবা থৌরাং তৌরি। অসিগুম্বা মনা ফংলবা লাইরিক অসিমক রাজা রাম মোহোন লাইব্রেরি ফাওন্দেশননা বেষ্ট প্রদক্সন ২০০৯ পীখি। 'চরুগী খাংপোকশঙ' শৈরেং লাইরিক অসিদা সাহিত্য সেবা সমিতি, ককচীংনা চীংখু মোইরাং লৈমা নীংশিং কবিরদাস মনা ২০১৪ পীখি। অইবগী প্রোফেশনল করিয়রদা শীংথানীংঙাই ওইবা সর্ভিসকীদমক অমুক ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা পীবা প্রসিদেন্ট পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সর্ভিস ২০১৪, প্রসিদেন্ট পুলিস মেদল ফোর দিষ্টিংগুইস্দ সর্ভিস ২০২০ অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা পীবা অটি উটকৃষ্ট সেবা পড়ক ২০২০ মেদলশিং পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা লৈরে। কুমজা ১৯৯৭তা ফর্ষ্ট বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী ১০৬শুবা রেজিং দে থৌরমদা বেষ্ট এক্সিলেন্ট সর্ভিস প্রাইজ ফংখ্রে অমসুং মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৩শুবা রেজিং দেগা মরী লৈননা ফর্ষ্ট বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্টনা বেষ্ট জে সী ও ২০২৪ হায়বা প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। অইবা অমা ওইবতা নত্তনা খোরিরোলগী লূপকী থৌদাং পুবদসু কখোকপা অমগা লোয়ননা থবক কয়া পুকচেল শেংনা অমদি থৱায় য়াওনা তৌদুনা লাক্লি। ক্ষেত্রি রাজেন কুমজা ২০০৯-২০১০ ফাওবা দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুখি ২০১১-২০১৩; ২০১৩-২০১৫; ২০১৭-২০২০; ২০২০-২০২৩ ফাওবা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌদাং টর্ম মরিরক পুদুনা খোরিরোলগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অইবনি।

পূন্সি অসিমক চেকশিন্না খঞ্জবশিংগীদি খোঙথাং খুদিং পড়া অমমমদি অদুমক তন্বীরি। পোকপা-শিবা নাইবগুম মহৌশা খূৎশেমদসু লৈরি য়েন্নিংথা-নাকেন্থা। পূন্সিবু কবিনা উপালগুম্না চাংদম্নরকই। মহৌশাগী ওইবা ইমেজরিশিং পুশিল্লক্তুনা পূন্সিবু কূপ্না য়েংলক্লি লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবগুম্না। ৱারী লৈতবা পূন্সিসু লৈতবা লৈতে অদুনা য়েন্নীংথাগীসু ৱারী লৈরম্মী। মসিগা লোয়ননা নাকেন্থাগীসু অদুম্মক লৈরম্মী ৱারীশিংদি। অদুনা কবিনা ইরক্লি লাইরিক অসিগী হেক অহানবা শৈরেং ওইনা 'য়েন্নীংথা' হায়না মিংথোন্দুনা। 'লেপ্লম্মী নীংথম উনলেন খাঙনা/উনাশিং অমত্তা পান্দ্রবা মরূ কোক্লবা উপালশিং... অশংবা নাপীশিংগী লৌবুক্তা শক্লি ঈশৈ কয়া/য়েংদুনা লৈরি মশাগী মায়কৈ খুঙ্গংগী ষণশিংদি,/...মতমদি লোইবা নাইদবা লীশাং থারিবা খোঙচৎনি/শক্লোন অমত্তনি অমম্বা অঙানবা মতমগী খোঙলৈদা..." (লা: ৩)। মসি পূম্নমক মতম মহাক্কী খোঙচৎকী লোইবা নাইদ্রবা ঈচেলদা পূন্সিনা কাওশিং ওইরুবতনি অদুনা অসুম্মক পূক্লিং থম্মোয়না খোইখা লিনখা থাদনা পূন্সিগী ঈচেলদা চৎলিবা লম্বীদা মোং হাদনা চৎপা তাবনি হায়না ফোঙদোক্লি। মরমদি পূন্সি হায়বসি ঐ খক্তগী অনীংবা-অপাম্বনা পূম্নমক পুদুনা চৎপা য়াদে। ইদোমসু হিংবা ঙমদে। নাপল কানসু হিংবা হৌনদে। পূম্নমক মতম্না লোইনা পুরক্কনি ফজবা, অথিবা শক্লোনশিং। উবা হৈবা অমদি য়েংবা হৈবা অমদি চঙলি পূন্সিবু নুংশিনা।

ইমা লৈবাক্কীদমক থম্মোয়দগী থবক তৌবা, কখোকপা ঙম্বা লুচিংবগী পুকচেল চেনবা, মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা, তুংগী মীরোলগীদমক পোরম পোমিৎ উবা লুচিংবা হায়বদু পঙনা উরক্তুবা মতম অমা হায়বদু হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অমদি লৈঙাক্কী ওইবা থৌওংশিংনা লেঙদ্রবা শক্তম হায়বদু ওইরি। মসি মীয়াম্না খঙই। অচুম্বা পামজবশিংনা খঙই। অদুনা কবি ক্ষেত্রি রাজেনসু পূম্নমক উই। পূক্লিং থম্মোয়দা ফাওই লমদম অসিবু নুংশিবা, লমদম অসিগীদমক নিংদোল পোমজবা, ৱাজবা অমদি তুংগী মীরোলগীদমকসু য়াম্না খল্লি। অদুননি ইরক্লিবা 'ইরৈবাক্কীদমক' মিংথোনবা শৈরেং। অদুনা ইরক্লিবনি, "ঐনা করিগুম্বা শিরবা মায়োক্লবা লান্থেংনবা লানফমদা/থেৎপীয়ু মোংফমদা ইরৈবাক্কী অচৌবা মেপ অমা/য়ুংবীয়ু মোংফমদা ইরৈবাক্কী অচৌবা ফিরাল অমা/থাবীয়ু মোংফমদা য়েন্নীংথাদা শাৎপা ইরমদমগী লৈরাংশিং।/... মোংফমদা করিগুম্বা অরিবা ৱাহৈশিংনা মোমোন নোক্লক্লবা/য়েংলরসনু মরৈবাক নীংবশিংনা মরৈবাক্কীদমক অনৌবা ৱারেপ লৌনবা/মীগী খূৎচুম খূৎখায় চাদনবা মীগী খোঙজুম মচুম থক্তনবা,/চেল্লসনু অরিবা ৱাহৈশিং অনৌবা লৈনম, মরৈবাক্কীদমক মরৈবাক্তা/..." (লা: ৫)। শৈরেং অসিগী হেক অনীশুবা পরেংদা অচৌবা মেপ অমা হায়না অতম্নমা পল্লিবা অসিমক য়াম্না ৱাহন্থোক লৈরিবনি। কন্টেম্পরারি মণিপুরগী পোলিটিকেল সিনারিও অমা মিৎমাংদা উহল্লি। ইমা লৈবাক্কী লমগী ঙমখৈ অমদি লৈবাক অসিগী ফিরাল কয়া য়াম্না মরু ওইবগে হায়বদু শৈরেং অসিদা ফোঙদোক্লি। ইপা-ইপু পাঙ্গল্লবা থৌনা ফরবা মখোয়গী লিংজেল থৌনা অদুগী ৱারী তারগা ঙসিগী মীরোলদা অনৌবা থৌনা লাকপা ওইসনু হায়বদুনি কবিনা অরিবা ৱাহৈদগী অনৌবা লৈনম চেল্লক্লবা হায়দুনা ফোঙদোক্লিবা ইমেজরিশিং অসিমক। শৈরেংসিমক নেশনেলিজমগী ইরিক ফজনা ইরোইনবা শৈরেং অমা ওই।



ক্ষেত্রি রাজেন



লাইরিক্কী মমিং :- লম্বীসিদা শম্নদবৈ শম্নদবশিং (২০২৪)

অইবা :- ক্ষেত্রি রাজেন

অফোঙবা :- দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর

লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং

লাইরিক্কী মখুম :- কোন্থৌজম মাইকেল মীতৈ

লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-

লমায় মশীং :- ১৮৪

মালেমদা খ্বাইদগী শক্তি লৈরে হায়না নাপল তৌরিবা লৈবাকশিংনা লানদি হেক হেক তৌনীংই। লানগী খূৎলায় পৈশিন্নে। ন্যুক্লিয়র পৱার অমদি মাঙ তাকনীংঙাই ওইরবা ন্যুক্লিয়র বোম মশীং য়াম্না পৈশিন্নবা তান্নরি। লান তৌরগা শেন্দোং তানবা অমদি ফর-ফরবা খূৎলায় কয়া য়োন্নবা লান তৌনবা ইনশিনবা লৈবাকসু লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা মকা ফোংদনা শক্লোন য়াম্বা ফত্ত-শরৌ শিনবা কয়াগী মরক্তা শান্তি পামজবা, মালেমসিদা মীওইবা খুন্নাইগী খঞ্জবা মীওই কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মীনা মীবু ওৎপা, অকনবনা অশোনববু তুহৎপা, অচৌবা লৈবাক্লা অপীকপা লৈবাক্তা লান্দাবা পূম্নমক অফবা থৌওং অমত্তা নত্তে। অদুনা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট কয়ানা মালেমদা শান্তি পুরক্লবা পাউজেল কয়া পীরি। লান তৌরিবা লৈবাকশিংদা শান্তিগী আপীল তৌনরি লেপ্তুনা। অইবা অমদি কবিশিংসু শান্তিগী ঈশৈ শক্লি লেপ্তুনা অমদি চোকথবা লৈতনা। মরমদি মখোয়গী থম্মোয়দা মীওইবা পূম্নমকপু নুংশিবা ঙম্মী। তাইবঙপালসি অমত্তনি হায়না খল্লি। লান পামদে, শান্তি পাম্মী। অদুনা কবি রাজেনসু ইরক্লি, 'অঙৌবা খুনু'। অঙৌবা হায়বসি মঙালনি, মীনম্বা য়াওদ্রবা মচুনি অমদি মালেম্বু ঙালহল্লিবা মচুনি। খুনুশিংদি মহৌশাগী মশাইকোলদা মনীং তম্লা পাইদুনা শান্নজনীংই। মসিদা শান্তিগী সিম্বোল ওইরিবা অঙৌবা খুনু ফাওবা ঙসিগী মালেমসিদা লম্মুক্লরি। মীওইবা মশেল মরক্তদি কমদৌরি। থাজনদবা, নুংশিনদবা অমদি য়েংথীনবনা লাঙ্গোয় চল্লক্লি। অদুননি য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইরম্বা U Thant না হায়রল্লিবা, 'There is no peace in the world today because there is no peace in the minds of men' কবি রাজেননা ইরক্লিবা শান্তিগী মপাউ পুরবা শৈরেংনা হায়রক্লি, "তোংলম্মী অঙৌবা খুনুশিং/নাকেন্থাগী ঊনা অমত্তা পান্দ্রবা কুরাউ অঙৌবদা,/... শক্তে অঙৌবা খুনুশিংনা পূক্লিংদা মৈ য়াংশিনবা ঈশৈ/শক্তে অমম্বা থম্মোয়গী ঈশৈ কনাবু কনাদা লঙশিনবা/শক্তে লৌনম ঈশৈ মীনম শোরিগী কৈথেলদা..." (লা: ৭)। শৈরেং অসিগী ৱাহন্থোক অসিমক মতমসিগা য়াম্না চুনবা পাউজেল কয়া য়াওরিবা শৈরেংনি।

লাইরিক অসিগী লমায় ২২দা য়াওরিবা শৈরেং 'মে ৩, ২০২৩' মণিপুরীশিংনা করম্না কাউগনি। অমুবা কালিনা ইরিবা পুৱারী অমা ওইররি। মসিবু ইহল্লিবনা কনানো হায়বা মীয়াম্না খঙই। অদুনা কবি রাজেননসু থম্মোয় শোক্না ইরক্লিবনি, "কাউগনি করম্না মে ৩, ২০২৩/য়ূমদাংবনা কৈনারকপা, লৌ মপু য়োংনা তাল্লকখিবা।/... লান্থেংনরি চীংয়া তময়া মহৌশাগী মহৌশাবু ঙাক্লবা/খ্বাংচেৎ কিশি চেৎলি মমাশিং লান্থেংনরি শীংনরক্লিবশিং/...য়েলহৌমীশিংনা হংলি ৱাহং কয়া/চৌক্রি মপু কনানো, অঙম্বা কনানো অয়ম্বা/..." ৱাহৈ খরসিদা শৈরেংগী খ্বাইদগী ফজবা খুফোঙদোক অদু উবা ফংই। হায়নীংলিবা পেন্দবগী খোল্লাও অদু মসিদা লোইনা য়াওরে। ঙসি ইমা মণিপুরনা ৱারিবগী মরমসু মখোয়ননি। মখোয় অদুগী অপীকপা পোলিটিক্সতা মীচম্না মৈশা লাংলিবনি। অশৈবা রাজেনগী মীহুল তপথবা ঙমজদে। মরমদি ইমা লৈবাক্কীদমক, লমদম অসিগী তুংগী মীরোলগীদমক অমদি য়েলহৌ ফূরুপকীদমক ৱাদবা ঙমদে।


লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'লম্বীসিদা শম্নদবৈ শম্নদবশিং' মিংথোল অসিমক মতমসিগা য়াম্না চানা-চুনবা অদুগা য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা শৈরেংনি। শৈরেং অসিমক লাইরিক অমা ওইবা ফাওবা য়ারিবা শৈরেংনি। মরমদি মসিদা কোনশিল্লিবা থিম, ৱাহৈগী ফজবা, শীজিন্নরিবা ইমেজরি অমদি সিম্বোলশিং অসিমক ওন্থোক্লা ফজে। লাইরিক অসিদা য়াওবা শৈরেং ময়ামদগী মসিনা খ্বাইদগী শাংই, লমায় ৭নি। মণিপুরী খোরিরোলগী অরিবা লোনগৈদগী মতিক ময়াই চেল্লবা ৱাহৈশিং মফম চানা শীজিন্নবসু থেংনৈ। হেক পাবদা শৈরেংগী ফজবা খূৎফোঙদোক পূক্লিংদা ফাওবা ঙম্মী। কবিনা তেংথারিবসি মণিপুরগীনি, মালেমসিগী মীওইবগী মাঙথরক্লিবা ভেল্যুশিংদনি। অদুনা ইরক্লি, "কনা হল্লকখিনি লম্বীসিদা অমুক-লম্বীসিগী ৱাংমদসু মঙায়/তমথীবা মিংদা লৈরোন চনখ্রবনি ঙসি কয়া মীত্রংগুম্না/শুক-শুক্লা মম্বা অহিং কয়াদা, খোঙ্গুল কয়ানি লোনখৎনরিবা/ফোঙ-ফোঙ শারিবা মমিৎ পাঙলিবা মোংফমশিংনা/...মঙালশিংনা লৈরোন চনখিবনি মতম কয়ানা মমখিবনি,/... মুক্নরি, শম্নদবৈ শম্নদবা পূক্লিংগী মশকশিংনা লম্বীসিদা।/...হৈবোং মনুংদা হন মপৈ-মপৈ মনীংতম্বা তাল্লিবা/...মিহুল থম্মোয় লাপ্পরি কদায় তান্না শম্নদবৈ শম্নদবা ঙাক্তা,/... ৱাহংনি নাৱাশিংগী - ঙমখিগদ্রা লৈকোনগুম্না নুংশিনা শাৎমিন্নবা ফূরুপশিংনা..." ৱাহং কয়ানি হংলিবা অশৈবা কবি রাজেননা। পাউখুম কয়াসু ঙায়রি। অদুনা আশা কয়াদি মাঙদনা ইরক্লি থম্মোয়দগী, "অনৌবা য়েন্নীংগী মনমদা লাপ্না লৈরসনু শম্নদবৈ শম্নদবশিং/ নোক্লসনু মালেম লৈরেনহনবীসে অনৌবা মীনোকনা পেন্না;য়াইফরে,/... তানয়েপুংদৈ য়াইফ পূংখোলনি ঙাইরিবা - ঙসিগী ঙসি ঙসিশিংনা..." (লা: ৮৬)। চিন্থিবনা ফমথোল কাবা, অরানবা চাম্মা ঙাঙদুনা অচুম্বা কয়া অমম্বদা নমশিল্লিবা খুন্নাইগী মশক অসিমক শৈরেং অসিদা উবা ফংই। হার্দ রিএলিটিনি কবিনা শৈথারিবা অমদি তেংথারিবসি। ইংলিস কবি টি এস এলিয়টকী দ ৱেষ্ট লেন্দদগী অরোইবা শৈরেংগী পরেংদা কবিনা হায়, " These fragments I have shored against my ruins/ Why then Ile fit you. Hieronymo's mad againe./ Datta Dayadhvam. Damyata. Shantih shantih shantih" মালেমসিদা হিংলিবা ঐখোয় মীওইবা মশেল মরক্তা অমগা-অমগা য়েংথীনবা নুংশিনদবা পূম্নমক লৈদুনসু নোংমদি শান্তিগী ইরিক অদুদি খিকপা ওইসনু হায়বা রিলিজিয়স ফিলোসোফিদা চেৎনা থাজবা থল্লি। কবি রাজেনসু শান্তিবু ইখৌ লাংলি।

শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৮১ য়াওরি। 'য়েন্নীংথা' মিংথোনবা শৈরেংনা অহানবা ওইরগা 'নুমিদাংৱাইরম' মিংথোনবা শৈরেং অসিদা লোইশিল্লি। শৈহৌ অমদু শৈরোইদসু পাউজেল পুরি। পূন্সিগী অমদি মীওইবা খুন্নাইগী ফজবা, অথীবা, নুংঙাইতবা ফীদম অসিনচিংবা থিম কয়াদা ইরিবা ফজবা শৈরেং লাইরিক অমনি। লাইরিক্কী মখুম য়েক্লিবা মাইকেলনা লাইরিক অসিগী মগুণসু হেন্না হাপ্লি। মরমদি মহাক্কী এবষ্ট্রেক্ট পেন্টিং অসিদা আশা পীবা মচুশিং হাপ্লি। পূম্নমক্না পাহঞ্জনীংই। ●

# কোকলেন

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

অঙাংদি নীংথাদগী খঙই, মীনিল তাদ্রবা হেক্তা শিথ-শিথ কপ্পী, মী অমবু চঙলক্লদি কপ্পা হেক্তা লেপখি। কোক য়াম্না চলাই হায়দুনা মথৌনা কোকলেন থোনবীরম্মী। লায়র মচা ওইরুবনা লাইরিক য়াম্নদি তমহৌদে অদুবু মরোল থোক্তবা এম এ অমদগীদি মানা হেল্লি ঙাঙ-শকপা, লাইরিক লাইশু হৈবা মালহনবা, অশেংবদি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৭০ মুক চৎলগা লৈবা খুঙ্গং অমদগীনি। মপানা হিংনবগী লানফমদা ইম্ফালগী অশানবা কা অমদা লৈদুনা মীগীদা থবক শূবা চৎলি।



কোক চলাই কোকলেন। মা করম্না হিংগনি। অকোনবদা লৈখ্রে মাগী আইদিয়া - অশানবা কাগা থংননা লৈবা খুরা তোমালদু ইনাকখুনবা অমগী দ্রাইভরনি। মানা লুনা চান্না তৌশিল্লে। কোকলেননা হায় 'খুরাগী থৌরিবা গাড়ীদু নোং ফাদোক মপু য়াওদ্রিঙৈদা কোলেজদগা থিনবীবা য়াজাৎনি'। নঙবু কোলেজ তম্বরনে। করি কোলেজদা? দি এম কোলেজদা। খুরা তোমালদি অদুম থাজৈ। দি এম কোলেজদা নুমিৎ খুদিং কোলেজ কাই, মা লাইরিক তম্বদি নত্তে। কোলেজদা লাইরিক হৈবা মী শাই আনোক অমা উপশিল্লি, লাইব্রেরিদা তোয়না লাইরিক পাবা শাই। মহৈরোয় খরদি মাগী মতৌদুদা থাজৈ মা শোয়দনা অফবা মহৈরোয় ওইগনি হায়না। নোং ফাদোকসু খুরা তোমালগী গাড়ীদা তোংলগা কোলেজ কারকই... কনামত্তনা মা কোলেজ অসিদা তম্বা নত্তে হায়বদু খঙনদে। বি এস সী এগজাম হায়দোক্লে হায়দনা কোইরাং লাংনৈ। মানা কোলেজদুদা ঐ পাস তৌরে য়া! হায়না লাউখিবদা তাহৌবা মহৈরোয় অমা লৈ। মাদি অদুম থাজখ্রে। চহী তরুক শক উনদ্রে কনামত্তগা। মাদি চীংদা শেল তানবা চৎলিজাৎনি। চহী তরুক্কী মতুংদা মা ইম্ফালদা অমুক লাক্লে। থায়না কোলেজদা থেংনখিবা মরূপ অমা থেংনৈ। মাগী মরুপ্তুনা নহানমখৈ কদাইদা মাঙলুরে ভাই হায়না হংই। ভাই ঐ ডাক্তর তম্বা লোইরে হায়জিল্লে। পাউ অসি মথং-মথং শন্দোকখ্রে...


হন্দক কোভিদ-১৯ মতমসিদা কোকলেন কোক শাই, করি তৌসিগে খল্লি। মহাক মাগী অথাপ্পা খুঙ্গংদুদা লৈ। মীনা লায়েংবা ৱারবা অনাবা খুদিংমক নারিবা মফমদুদা মানা হায়ফেৎতং চূপথোকপদা অনাবা ফৈ হায়না পাউচেদা ফোঙদোক্লে। ফনীংবা কৌবনিনা মল্লিঙৈদগী লায়েংবা লাক্লে মাগী মনাক্তা। লায়েংবা লাক্লিবা খুদিং মানা-মানা নারিবা মফমদুদা চূপ্পী কোকলেননা। মমৈথংদা অনাবা অমা চঙলক্লে। কোকলেননা হংই, কদাইদনো নঙনা নারিসে। অনাবদুনা খুম্মী- ডাক্তর ঐ হায়বা ইকায়জৈ। হায়যুনে-হায়যুনে। ডাক্তর ঐগীসে নুঙশংনে। কোকলেননা হা অদুদি ঐ হৈতে...। ●

(কোভিদ লাল্লক্তা ইখিবা)

# ঙান্থোরক্লিবা নুমিদাংৱাই (হিংবগা নুংশিবগা কনানা লূবগে হংলিবা নোভেল)

- সলাম তোম্বা -

নুংশিববু মসি মওইরে হায়বা লৈব্রা। নুংশিবদি সমুদ্রনি, পূন্সি হায়বসিনা ঙানি। অদুননি নুংশিবদা ঈরাক্লদুনা শিখ্রিবা ময়ামসি। নুংশিবদা মায় পাকপা হায়বা অমা লৈতে, মায়থীদুনা তোকপা ঙাক্লি। অদুদি নুংশিবগীদমক থোইনা হেন্না করিগী ৱারুনিংঙাই লৈবগে। কবি রোবার্ট ব্রাউনিংনা হায়, "Love is the meeting point of God and man." অমুক্না কবি সেক্সপিয়রনা হায়রি, "Love is a pole star to guide the wandering barks." অদুগা রোবার্ট ব্রিদজেসনসু হায়রি, "Love is the sun to give light and warmth to the people." কনাগী মৱা লৌদৌরিবনো? মপা লাক্তুনা ঙাঙলিবা ঙাক্তনি। নোভেলসু অসুক কুইবসি নুংশিবগীদমক ইরকপনা ইফম লৈরক্তুবা মতম ওইরবনি। অদুনা ঐখোয় নুংশিববু পোখাহনবা চুল্লে, মহাক ৱারে, অদুনা অনৌবা পরিং (theme) অমা থিরকপা মশানা তাবনি। মদুদা চোংথোক্লকপনি 'হিংবগা নুংশিবগা কনানা লূবগে' হায়বা ৱাহংসি। খ্বাইদগী মরু ওইবসি হিংবনি। নুংশিবনা মঙলাননি, হিংবনা পূন্সিনি। মঙনা তাইবঙ ওনবা য়াবা নত্তে। চাংয়েং অসিমক হন্দক্তা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবী কোরিয়াগী অইবী হান কাং (Han Kang) না মাগী নোভেল 'ভেজিটেরিয়ান' (Vegetarian) হায়বা অসিদা তশেংনা উৎখ্রে। অইবী অসিনা য়োং-হি (Yeong-Hye) কৌবী নুপী অমগী লমচৎ শেমদুনা খম থেংবা চাংয়েং পাঙথোক্লবনি। নুপী অসিগী মঙদা শা-ঙাগী অকিবা শক্তম্না তম্নবা, অকিবা মঙদা মঙলবদা মানা শা-ঙা চারুবনা মঙলিবনি খনবদগী শা-ঙা চাবা তোকপগী ৱারীদা শাগৎলকপা নোভেলনি। নিরামিশ চাবদগী অকিবা মঙদু মঙদ্রবদা নুপী অদুনা মনা-মশিংদবু লুনা লৌখিবনা, হৌরিবা উ-ৱা পূম্বা মথ্বায় পানবা, ৱা ঙাঙনবা য়াবা পোৎশক ওইনা উরকখিবনি।



সুম সুম হেঞ্জিল্লক্তুনা মহাক মশামক উগুম হৌনীংলকপগী থাক অদু য়ৌশিল্লকখি, ঈশিংদা থল্লগা উগুম হিংনবা হোৎনখি। মকোক্লা য়ুংদুনা উগুম লেপ্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মাগী মচে ইন-হি (In-hye) না মঙগা তাইবঙগা অমত্তা ওইবা য়ারোই হায়দুনা মনাওনুপীবু কন্নবা হোৎনবদা লোইশিনখি নোভেলদু। ইন-হিগী ৱাহৈদা - "I have dreams too, You know,... but surely the dream isn't all there is? We have to wake up at some point, don't we?" মানা মনাওনুপী অদুগী মনাকোংদা হায়রিবা অসি মঙনা তাইবঙ ওনবা য়ারোই হায়রিবনি। ওন্থোক্লা ফজখ্রবা থিমনি, অদুমক্লা নোবেল প্রাইজ ফংবনি।

ঙসি ঐনা পায়খৎচরিবা নোভেল অসিসু মখল অমনি। হিংনবা হোৎনবদা পৎ তৎখৈ নুংশিবদু থাদোকপা তারকখি। ইহান হানবদা হিংবা তাই, মথংদা নুংশিবা। ওন্থোক্লা ফজবা নোভেল অমনি। অনৌবা থিম, অনৌবা পূন্সিগী ৱাহং-পাউখুম পূল্লবা ৱারী লীশাং অমনি। নোভেলগী মমিং 'ঙান্থোরক্লিবা নুমিদাংৱাই' হায়রিবা অসিমক্লা তাক্লি, নুংঙাইবনা পোলোই ওইরল্লনি। ইরিবনা হান্না ৱারীমচা, শৈরেং, নোভেল অমমম ইখ্রবা থেঙলবসু মঙাল পুনা চঙশিল্লক্লিবা টিকেন্দ্রজিৎ অকোইজমনি। থৌবালদগীনি। লৈশাংথেম ওজা রামসিংহগী 'জাৎ ওনবা' নোভেলনা অপাবা পূম্বা ঙাওহনখ্রবনি। অদুবু মতম কুইনা লমদম অদুগী নোভেল থোক্লকখিদ্রবা মতুংদা হন্দক টিকেন্দ্রজিৎনা খোঙ্গুল লীরকপা অসিদি তরাম্না ওকফম থোকই। মায় পাক্লা চঙশিল্লক্লি। ● *(মখা চৎখজরকখিগনি)*